# প্রাইম মিনিষ্টরগী মণিপুর খোঙচৎ অমসুং মসিনা পীরম্বা পূক্নিং ৱাখলগী চৈনা

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াত্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com



মীপূম খুদিংমক পূন্সিগী পান্দম অমগা লোয়ননা হিংবা ঙাক্তনি। পান্দম খেন্নবা য়াই। পন্থুং য়ৌবা ঙম্লব্রা নৎত্রগা অনীংবা অপাম্বা অদু ফংবা ঙম্লব্রা হায়বদুনা অমা ওইখ্রগা মী খুদিংমক পান্দম অমগীদমক পূন্সি লান্থেংনরি। অৱাবা-নুংঙাইবা, অকিবা-তুজুংবা, মীৱা-মৈশা, অশোক-অপন, তূম্বা-চাবা থিদনা পান্দম অদুবু ফংলবদি অমদি হিংলিঙৈদা ইচা-ইশু, মীয়ামগী অমদি ইরৈবাক্কীদমক করিগুম্বা খরা তৌবা ঙম্লবদি খন্না পূন্সিগী খুদোংথীবা কয়া থৌনা ফনা নীংহন্নদনা মায়োক্নবা ঙম্নবা হোৎনরি। মমা লুখ্রাবী অমনসু মচানুপা অদু লাইরিক-লাইশু তমহন্দুনা অফবা মী অমা ওইননবা চরা নাম্মা চারগা লৌবুক্তা খুলং চৎকনি, তুরেলদা কুমদুনা লৈঙোই পেক্কনি, নুঙ-লৈঙোই হাপ্তুনা মচা শেম্নবা হোৎনরি। মীওই খরা অমনা মমা লৈবাক্কীদমক পূন্সি কখোকপা পাম্মুদ্রি। পূন্নমক অসি মাগী মাগী অনীংবা অপাম্বা পূন্সিগী পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা চোকথবা লৈতে। অৱাবা থিদে।

মীওইবগী পূন্সিদা হিংবগী মহাও লৈনা লৈনা হিংনীংদবা কনাবু লৈবগে। নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমদি মতিং লৈনা হিংনবা হোৎনবদা ঐখোয় ঙসিসু হীরম কয়াদা অৱাবা মায়োক্নরি। মণিপুরগী চীংগী লম পূন্নমক কানি পান্থীতনা পুমথন থল্লে। সনা লৈবাক মণিপুর কানি করবারপুং ওল্লে। দ্রগ শুংফম ঙাক্তা ঙায়খ্রে। মালেমগী ওইবা অচৌবা দ্রগকী হব অমা ওইরে। মসি কনানা ওইহনবনো, করম্না ওইরকপনো? মসিগী পান্দম্না করিনো? মখোয়গী পন্থুংনা কদাইদনো? ম্যান্মারদগী চীন-কুকি ময়াম অমা পুশিল্লক্তুনা কুকিলেন্দ অমা শেমগদৌরিবরা? ঙসি মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী করি ইন্টরেষ্ট লৈবগে। নেচরেল রিছোর্সনা থন্না লৈরবা সনা লৈবাক অসিগী মপু ওইগে হায়বগী থৌরাং লৈব্রা? মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়দুনা লাউরিবা য়েলহৌমী নমথদুনা সনা লৈবাক লমদম অসিদা ফংলিবা নেচরেল গ্যাস, ওইল, মিনরেল পূন্নমক অসিবু কল্লক্তুনা খুরৌ থাংগদবা ঐখোয়বু মুথৎনবা হোৎনরব্রা?

মে ৩, ২০২৩দগী চথরক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা মায়োক্নরিবসি হৌজিক হৌজিক রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকপীখ্রবা, মপোৎ-মচৈ মুনবীহৌরবা, লন-থুম মাঙ তাকহনবীখ্রবা, ইমুং মনুংগী মীওই কয়া মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীখ্রবা, কয়া অমনা মথৱায় হিংনবা চেনখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা, কয়া অমনা অশোক-অপন, অনা-অয়েক য়াওরকপদগী লমখাংদা মথৱায় পীখম্নখ্রবা মমা-মপা, মচিন-মনাও কায়নরবা, থৱায়তবু হিংলবদি খন্দুনা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং মোরেদগী লাঞ্জেল্লকপা মীওইশিং অসিনি। লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈ অমসুং কুকি অনীগী মরক্তা খেন্নরিবা হায়ববু মোরে, কাংপোকপী অমসুং চুড়াচান্দপুরদা লৈরম্বা মীওইশিংনা ফংখিবা অৱা চৈথেং, মীশি-মীনা, ফূবা-চৈবা, ওৎপা-নৈবা, মীনুংশি য়াওদবা শাজৎ অদু কুকিশিংদদি অদুক হাক্না ফংখিদবরা খল্লি। অসিদসু নত্তনা ইম্ফালদা লৈহৌরিবা কুকিশিংগী ময়ূম-মকৈ অয়াম্বা তেক্ত-কায়দনা লৈরি। মরমদি তম্পাক লম অসিদা লৈঙাক অমা লৈরি, সাসন-এদমিনিষ্ট্রেশন অমা লৈরি হায়বগী মমি চাউনা তাখি। মীয়ামগী লন-থুম ঙাক শেনবদা নত্তনা লো এন্দ ওর্দর মপূম ফানা ঙাকখি। অদুবু চীংগী লমদা মরু ওইনা ঈরাং অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চুড়াচান্দপুরদদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন অমা লৈরি হায়বগী মমি ফাওবা উবা ফংখিদে। মোরেদসু অদুমঙাই। মীতৈ কয়া মথৱায় হিংনবা ম্যান্মারদা লানশিন্দুনা থা কয়া লোৎতুনা লৈখি। অসুম্না অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাঞ্জেল্লকখিবা মীওই কয়া ঙসিসু রিলিফ কেম্প কয়াদা নোংমগী চরা তমদুনা হিংনবা হোৎনরি। পূক্নিং ৱাখলগী লায়না-লায়ওং কয়া লোয়নদুনা হিংলি। হিংবগী মহাও অমদি ইমুং অমা লৈবগী নুংঙাইবা ফংদ্রি। মমা-মপা, মচিন-মনাও লৈমিন্নবা ঙমদ্রে। মমা-মপা, মপু-মবেন, মখুরা-মন্দোলগী থৌজাল মখাদা হিংবা হায়বদু ওইদ্রে। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা ৱাখল লায়না লোয়নরক্তুনা খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ লানখিদুনা মীওই কয়া সুইসাইদ তৌদুনা শিরি। মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌদুনা শিবগী চাং মমাঙ-মমাঙ চহীদগী হেনখি। অসুম অসুম হেল্লকখিনি। অসিগুম্বা অৱা চৈনা কয়া অসি খাঙবা ঙমদবদগী মখোয়গী হান্নগী য়ূমদা হঞ্জিনবা য়াহল্লু হায়দুনা মোরে অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী লাঞ্জেল্লকপা মীওইশিংনা নম্না লৈবা অকাম্পাৎ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই দি পিশিংনা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎপা মতমদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মীনুংশি য়াওদনা, নুংশি হৈতনা টিয়র গ্যাস, রব্বর বুল্লেট অমদি করি অমুক হায়নি নোংমৈ লাইভ রাউন্দ কয়া কাপ্তুনা ফু চৈবা তৌখি। অদুবু চুড়াচান্দপুর, মোরে অমদি কাংপোকপীদা কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূম মৈ থাবা অমদি হিংশা চথুবা মতমদদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন করি তৌদুনা লৈখিবগে। ঙসিসু লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং মখোয় মখোয়গী হান্নগী ময়ূমদা নোংমদি লৈবা ফংলকখিনি হায়বগী ৱাখলদা হিংনীংবগী মঙাল অমা ওইজদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা মপূন্সি লেল্লি। অদুবু মঙাল অসিনা মমি শামখিবা মতমদা মখোয়গী পূন্সি করি ওইগনি?

ঙসি ঐখোয়না পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা লায়না লায়ওং কয়া মায়োক্নদুনা হিংলিবা অসি রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী ৱা ঙাক্তসু নত্তে। লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী ঐখোয় খুদিংমক্কী পূন্সি মহিং অসি শারং মনুংদা লৈবগা চপ মান্ননা হিংলি। করি অমুক হায়নি মোইরাংদা লৈবা চহী য়াম্লবা অরাংফম ওইবনা মহাক্কী শিনফম ওইবা মীওই অমা মঙানি লৈহুন থৌরমগী শেম শাদুনা লৈরিঙৈদা কুকিগী মিসাইল এটেক অমদা লৈখিদে। অসিদসু নত্তনা ফয়েংদা ময়ূম পানবা কৌত্রুক নিঙোল অমা মপামদা মমা-মপা উনবা লাকপদা দ্রোন বোম্বিং এটেক অমদা লৈখিদবা থৌদোক ঙসিসু মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা ফাওখিবা চৈনা অদু কোক্ত্রি। য়েলহৌমী ঐখোয় বফর জোন লান্না চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রি। ঈরাং মনুং অসিদা অশোক অপন নংখিবা চুড়াচান্দপুরগী মীওই কয়া ইম্ফালদা লাক্লগা লায়েংবা ফংদবদগী অশি-অনা নংখি। ঙসি ওইরিবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা, নুংশিনদবা, য়েংথীনবা অসি ম্যান্মারদগী লাকপা দ্রগ মাফিয়াশিংনা থাকপা লৌনম লাংদা পোলিটিকেল পার্টি, আই এ এস/আই পি এস ওফিসরশিং অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অঙম অথৌশিংনা থুরুবদগীনি। থোক্লিবা ঈরাং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক য়াওদে, খঙদে, উদে হায়বা য়ারোই। সূ মতৌ করম্না লাকখিবনো? সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীচং মীখায় নায়বা থৌওং অমসুং মখোয়না থমখিবা বফর জোন পূন্নমক অসিনা কুকি অমসুং মীতৈ অনীগী মরক্তা তঙ্খায় খায়দোক্তুনা থল্লি। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন অমা মপূং ফানা লৈহনখ্রে হায়বা য়াই। ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঈরাং অসিবু পুনীংবা মায়ওন্দা পুদুনা শান্নরিবা মওং অসিনা মীপূম খুদিংগী পূক্নিং ৱাখল লৈতাহন্দ্রে। শুফম নোম্ফম খঙদ্রে। শেন্থোক লম্বী লৈত্রে। পূক্নিং ৱাখল ৱারে।

অৱা-অনা, অকি-অখং, মীওৎ-মীনৈ, লৈতা-লায়রা, লৈফম-চাফম লৈতবা, শেৎপা-চাবা নীংবা থুংদবা, লাইরিক লাইশু তম্বা ফংদবা, শেন্থোক লৈতবা, চরা নাম্মা চারগা লেল্লিবা পূন্সি, অকনবনা অশোনববু তুহৎপীরবা খুন্নাই অমদা হিংজবসু মীওই খুদিংমক মাগী মাগী পূন্সিগী পান্দম অমদা অৱাবা কয়া খাঙদুনা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নদুনা হিংনবা হোৎনরি অমসুং মসিনা হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা মঙাল হায়বদু ওইরি। লাঞ্জেন্নরিবা মীওই কয়াসু নোংমদি শোয়দনা অঙম-অথৌ অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিনহন্দুনা লৈবা ফংলকখিগনি হায়দুনা রিলিফ কেম্পশিংদা পূন্সি লেল্লি। তম্পাক লমদা লৈরিবা য়েলহৌমী কয়াসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না থমজিল্লিবা বফর জোন লান্দুনা নীংতম্না চৎথোক চৎশিন য়ারকখিনি। নোংমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ৱারোইশিন শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা থমদুনা অসুক কুইবা থা ২৯ শুরবা ঈরাং অসি মায়োক্নদুনা অৱাবা খাঙলি। অদুবু মীওই কয়া অমদি পোকঙমদনা পোক্লবা মীওই মপোক, শিগদবা লৈরবা থৱায় পূন্নমক অসি থৌওইদনা, ঙাইঙমদনা সুইসাইদ তৌদুনা পূন্সি লোম্নবা হোৎনরি। কয়া অমনা সুইসাইদ তৌদুনা শিজরি। মীওইবগী অনীংবা অপাম্বা অমগী মখাদা পান্দম অমগা লোয়ননা হিংবা পূন্সি অসিদা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা পূন্সিগী মঙাল নৎত্রগা মৈরা অদুনা মঙাল শামখ্রবদা নৎত্রগা মূৎখ্রবদা হিংনীংবা ফাওরক্তে। শিবা নত্তনা অতোপ্পা পান্থে লৈত্রে হায়না খল্লকই। অসুম্না মীওই কয়া মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌদুনা শিরি। ইরৈপাক ইরমদম্বু নুংশিজবা মীওই কয়া অমনা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা মপূন্সি কখোক্লি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৩, ২০২৫দা নোংমতা মণিপুরদা চৎপীয়ু, লাকপীয়ু হায়জবদা মনানা তাখিদ্রবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর থোক্লিবা ঈরাং থা ২৮ শুরবা মতুংদা পুং খরগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাকখি। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদদি শোয়দনা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়বসি মীচম মীয়াম পূন্নমক্কী থাজবনি। অদুবু মসিগী ওন্ন তৈনবদা চাওখৎ থৌরাংগী মিংদা প্রোজেক্ট খরা উরেপ উয়ুং তম্বা অমসুং প্রোজেক্ট খরা শঙ্গারম্বা নত্তনা থা ২৯ শুরবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাং অসিদি লোইশিনগে হায়বগী ৱাখল্লোন অমত্তা ফোঙদোকপা লৈখিদে। ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনরি হায়বা অসিনদি মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা অপেনবা হায়বদু ওইখিদে। থা ২৯ শুরবা ফাওবদা হোৎনরি হায়বসিদি অতোপ্পা থা কয়া অমা অমুক চংখিগদৌরিবগে হায়না হংনীংলমগনি। মসিমক্না প্রাইম মিনিষ্টরদা থল্লিবা থাজবা অদু মাঙহল্লে।

ম্যান্মারদগী লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লিবা মীতোপ থিংবগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখিদে। আই দি পিশিংগী য়ূম ৭০০০ শানবা লুপা ক্রোর ৫০০ কাইথোক্লে হায়বা নত্তনা মখোয়গী রিহেবিলিটেশনগী ৱাফম য়াওদে। হৌজিক নেশনল হায়ৱেশিংদা মীতৈ চৎপা য়াদ্রিবা অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পল্লমদে। ঐখোয়না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী করি এক্সপেক্ট তৌখিগদগে, থাজনীংঙাই ওইরিব্রা, করি অমুক ঙাইখিগদগে? সেপ্টেম্বর ৪, ২০২৫দা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং কুকি-জো কম্যুনিটি অনীগী মরক্তা সূ চহী অমগা অমুক শাংথবদা য়ানখিবা অসিমক্না ইন্দিয়া লৈঙাক্না অথুবদা ৱারোইশিন পুরকপা পামদে হায়বদু তাক্লে। হন্দক্কী নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ অসিনা লমদম অসিগী মীওই কয়াগী পূক্নিং ৱাখলদা অচৌবা চৈনা অমা পীরে। মীওই কয়া মশা মথন্তা শিবা ঙাইবা তারিবরা। শিবদুরা মখোয়না য়েংনীংলিবসি। ●

# দব্বল ক্রোপিং তৌহল্লরোইসি

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

রিমসকী থবক লেপ্পগী খোঙজং হন্দোকখ্রে, মথৌ তৌবা হৌখ্রে। হন্দোকখিবরা নৎত্রগা হন্দোকহনখিবরা, অশেংবা খঙবা মীসু লৈরমগনি। ওইনীংবা ওইজরসনু অদুবু ওথোরিটিগা য়ানবা পুরকখিবগী পাউদি তাখিদে, ৱারী শানৈ হায়বসু তাখিদে, মখোয়না তানবা দিমান্দদুদি ফংখ্রবরা, কমদৌনা হন্দোকখিবনো, হন্দোকখিবগী ওইবা য়াবা মরমসু হায়রকখিদে। ওইনীংবা ওইজরসনু অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু তৌফম থোক্তবা, তৌরোইদবা থবক অমা তৌরম্বদগী তোকখিবনি হায়না লৌবদি য়ারোইদ্রা? মখোয় থবক লেপ্তুনা ষ্ট্রাইক তৌফম থোকপ্রা? মখোয়গী থবক অসিবু ইসেন্সিএল সর্ভিস নৎত্রা? ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংগী মরক্তসু মখোয়না মকোক্তা লৈ হায়না লৌনরিবনি। ডাক্তর মীওইবগী পূন্সি কনবীবা ঙম্বা মীনি হায়না ফাওবা লৌনরিবনি। ফনা য়াম্না লুবা লায়নাগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা অনাবা ফাওবা ডাক্তরগী মনাক্তবু য়ৌরবদি হিংলগনি হায়না লৌনরিবনি, হিংখিবা কয়া অমসু য়াওরমগনি। অসিগুম্বা অনাবগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা শিনফমদা লৈবা মীওইশিংনা অপাম্বা দিমান্দ খরা ফংনবা তানবদা মথৌ পাঙথোক্লরোই, থবক লেপ্লগনি হায়না হেক্তা লেপথোকপা অসিবু চুন্নিবরা? ইমজেন্সি সর্ভিস য়াওনা অনা লায়েংবগী থবক পূন্নমক লেপখি, পল্লিকতা অৱাবা পীখি। অথাপ্পা চীংদগী লায়েংবা লাকখিবা মীওইশিং নীংবা কায়না হনখিবগী ফোটো ফেসবূকতা উখি। অনাবা লায়েংলুরগনি হায়বগীআশাদা লাকখিবা মীওইশিংদুনা হনখিবদা খল্লমগদবা ৱাখল, অউবা মীওইশিংদা ফাওখিবা ৱাখল অদু ষ্ট্রাইক তৌরিবা ডাক্তরশিং অদুদদি ফাওরল্লোইদ্রা? মীচম মীয়ামদা অৱাবা পীরবনিনা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অদু ফংলগনি হায়না খল্লমগদ্রা? লায়েংবা লাক্লিবা মীওইশিং অদুসু শেঞ্জাও পায়বা ওইরল্লোই, শেল পায়জদবা, শঙ্গসু লৈতবা প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংবা ঙমদবা ইমুংগী মীওই ওইরমগনি। মখোয়না শেল পায়রগবু হোস্পিটালদুদা লায়েংবা লাক্কদ্রা? লাক্লোই, লাক্লল্লোই প্রাইভেট হোস্পিটালদা চৎখ্রনি। পান্থে লৈতবগী লাকখিবদু নীংবা কায়দুনা হনখিবনি। অতোপ্পা লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অমদসু লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অমদা শোকপা অনাবা অমা পুখৎলকপদা য়েংবীখিদে হায়। লায়েংবীবগী মহুৎতা পাউচে পাদ্রা, ষ্ট্রাইক তৌরি হায়বা খঙদবরা হায়না তাম্থোকখি হায়। মখা তাবা করম তৌখ্রবা হায়বদুদি খঙখিদ্রে, মীশি মীনা থোকপগী পাউ ফংদে, মদুমক পূন্নমক্কী ওইনা লাইবক ফবনি। করিগুম্বা লাইবক থীদুনা মীশি-মীনা য়াওরম্লবদি মীওই খরা চৈ চারম্বসু য়াই। মদুনা অনৌবা প্রোব্লেম অমা অমুক থোক্লল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

ডাক্তরশিংগী মরক্তা লোইনমক নৎত্রবসু খরদি মোরেল হায়বা পোৎশক্তু য়াওদ্রবগুম তৌরে। মীনুংশিগা অমত্তা য়াওখিদ্রে, হোয় করম্নবুদি য়াওরুগনি থকসি-খাশি মীনুংশিগা হায়বা অদুদি লাইরিক তম্লিঙৈদা অমত্তা তম্লক্ত্রে। মমা মপানসু তম্বীরক্ত্রে, মখোয়না খরা লৌগন্দবগা থকসি-খাসি ব্যেবহার অমত্তা য়াওদ্রে। মমা মপানসু অদুগুম্বা থৌগল্লোন তম্বীবগী মহুত্তা ডাক্তর ওইয়ু, ডাক্তর ওইরবদি শেল য়াম্না ফংগনি হায়বা টিচিং পীদুনা নোবল প্রোফেশন অসিবু শেন্দান লম্বী ওন্থোকপীবনা অয়াম্বা ওইরে, মদুগী মহয়নি ঙসি ঐখোয়না ফংলিবসি। ডাক্তর ওইরগা অশোন-অনা, লৈত-লায়র থৌগল তৌগে হায়না থোরকপা মীগী মশীং পংয়াম য়াল্লমগদবা মান্দে। বোর্দকী পরিক্ষাদা মকোক থোংনা পাস তৌরকপা মহৈরোয়শিং মীদিয়ানা ইন্টরভিয়ু লৌবদা ডাক্তর ওইরগা মীয়ামগী থৌগল তৌবা হায়বসিদি তাখি অদুবু তৌথোরকপদি ওন্ন-তৈনবনা অয়াম্বনি। ঙসিগী ডাক্তরশিংনা মশা-মশাগী অশোয়বা য়েংদনা মীগী অশোয়বা থিবা অসিবু অচুম্বা থৌওংনি হায়না লৌবা য়ারিবরা? ডাক্তর ফূরম্বগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনবনি হায়বা মীপূম খুদিংমক্না খঙই, ডাক্তর ফূবা আইন্না য়াবা অচুম্বা থবক নত্তে হায়বদু পূন্নমক্না খঙই, ডাক্তর ফূরম্বগী থবক কনানসু য়ানীংলোই, য়ানীংফম থোক্তে, ফনা য়াম্না লাল্লল্লবসু খূৎ হেক্তা থাদুনা আইনবু খূৎনা পায়দুনা শীজিন্নবা আইন্না য়াদে অদুবু করিগী খূৎ থাখিবনো হায়বদুসু য়েংশিনফম থোক্ত্রা? মখোয় লায়েংবা লাকপনি, ডাক্তর ফূরুরসি হায়না হৌনদুনা লাকপদি নত্তে হায়বা। মমাঙথক্তা লায়েংবা লাকপদা পেসেন্ট শিখিবা কয়া অমা য়াওখ্রে, ডাক্তর ফূরম্বরা? তাদে, মী শিবা খুদিংগী ডাক্তরদা হেক্তা তাইনখিবগী ৱারীসু তাখিদে। নহান পেসেন্ট অমা শিখিবসিগা মরী লৈননা ডাক্তরদা খূৎ থারল্লিবা অসিগী মরম অমা লৈফম থোক্ত্রা? থিজিন্দনা মরম খঙদনা (খঙলবসু খঙশিন্নদনা) ডাক্তর ফূরল্লে হায়না ডাক্তর ময়াম হৌদুনা থবক লেপকনি, লায়েংলোই, লায়েংবা লাকপা অনাবা খুদিংমক্তা অৱাবা পীগনি হায়বসিবু অচুম্বা থৌওংলা হায়বনিদা? মসি হায় হায়দুনা ডাক্তর ফূবা চুম্মী, ফূগদবনি হায়বা নত্তে। লৈবাক অসিদা আইন হায়বা অমদি লৈরিদনা, ফূরল্লিবা মীওইশিং ফাদুনা আইনগী মতুং ইন্না তৌফম থোকপদু তৌজসনু, মখোয়সু মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌদু তৌবদা করি অকায়বা লৈবগে হংনীংলকপনিদা। মখোয়না মথৌ লেপ্তুনা তকশিন্দ্রবদি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা আইন অসি মথৌ তৌররোইদ্রা? মখোয় মশানা আইন ঙাক্তে, অদুনা মরম ওইরগা মখোয় আইনদা থাজবা থমদে। মখোয়বু আইন ঙাক্না চৎলিবরা? লৈঙাক্কী ডাক্তরশিংনা প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংবা অসিবু আইন্না য়াব্রা? য়াদবা থবকসি তৌদবা মশক নাইবা লৈঙাক্কী ডাক্তর লৈব্রা? লৈঙাক্কী ডাক্তর ওইজরবসু ময়ূমগী মী নারকপা ফাওবদা মশানা লায়েংদবা ডাক্তরশিং নত্তনা অতৈ মশক নাইবা ডাক্তরশিং প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংই হায়বদি (দাইরেক্টর য়াওনা ডাক্তরশিংবু কন্ট্রোল তৌরিবা ফম্নাইবশিং নত্তনা) অপং অশিং লোইনমক্না খঙই। লৈঙাক্কী ডাক্তরশিং অয়াম্বনা লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা লায়েংনীংদে মরমদি মফমদুদা লায়েংবদা মখোয় শেল ফংদে অদুনা অয়াম্বা মতমদা প্রাইভেট হোস্পিটালদা চেন্নবা হোৎনদুনা লৈ হায়বসিমসু অনৌবা ৱাফম অমা ওইদ্রে। পেসেন্টশিংসু লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা লায়েংনীংদে। কনানবু রিমসতা লায়েংবদা অপেনবা পোক্লিবগে? য়েংলিবশিং অসিসু অয়াম্বনা পান্থে লৈতবগী য়েংলিবনি হায়বদা লাল্লরোই।

শেমগৎ শাগৎপসু লেপ্তে, লায়েংবা কাউথোকখ্রগা দিভেলপমেন্টকী মিংদা শেমগৎ শাগৎপদা ঙাওজবা ডাক্তর কয়া অমসু লৈরে হায়। মতৌকাদি য়াম্না মাল্লে, অনৌ-অনৌবা কাঙলোন ময়াম অমসু পুথোক্তুনা চৎনরেসু হায়না তাই। (ইশামক্তি অনাবা কয়া লৈরবসু রিমসতা লায়েংদবনা অকূপ্পা মরোলশিং অদুদি খঙদ্রে। রিমসতা লায়েংদ্রবসু রিমসকী স্পেসিএলিষ্ট, সুপর স্পেসিএলিষ্ট ডাক্তর খরবুদি মরক মরক্তা অদুম উন্নরি, মমিং মথাদি ফোঙদোকচররোই) মতম খরগী মমাঙদা এইমসকা মান্ননা শেমগৎলনি হায়বা তাবদা নোক্লিংবা পোকই, এইমসকী মমিং পকশিনবীরুনু, এইমসতা লৈরিবা থাজবগী চাং হন্থখিনি হায়জনীংই। লৈঙাক্কী ডাক্তর ওইরগা প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংলিবা ডাক্তরশিং লৈঙাক্কী ডাক্তর ওইনা লৈগেরা নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংগেরা হায়বগী অরেপ্পা দিসিজন অমা লৌবগী মথৌ তারক্লে, নৎত্রবদি শেলগী মতুং ইন্নদুনা চেল্লিঙৈদা পামদবা থৌদোক কয়া মথং-মথং থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লমদম অসিদা থবক ফংদবা ডাক্তরগী মশীংসু য়াম্না লৈবনা ডাক্তরগী অৱাৎপসু লৈরোই। থবক ফংদদুনা ককঙাওনরিবা ডাক্তরশিং অসিসু লৈঙাক্কী হোস্পিটালবু ওইরো নৎত্রগা প্রাইভেটকীবু ওইরো তম্লুরিবা মহৈদুগা চান্নবা থবক অমসু ফংজহৌরনি লোয়ননা লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা দরকার লৈরকপা মতমদা ডাক্তর লৈরমদবদগী থোক্লকপা য়াবা প্রোব্লেম অদুসু লৈররোই। অনীমক হাইদুনা চাবা দব্বল ক্রোপিংগী থবক অসিমদি থিংহৌরসি, মসিনা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৯

– হৈস্নাম শ্যাম মঙাং –

ঈনুংলোন/নুংলোন অমদি ঈপানলোন/পানলোন অনীমক্তা কোকনুংদা কোনথোক-কোনশিন শান্নরিবা লৈ অদু মপান থোকহন্দে, কোকনুংদা অদুম্মক শান্নদুনা লৈহল্লি। মসিবু মহৌশা (মাইহৌশা) কাইদবা কাঙলোন হায়বদি মাইহৌশা কাঙলোন (মহৌশা-কাঙলোন) কৌনবনি। খুদমদি - মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপনা লৈনিংথৌ-লৈলেংপী (লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী) অনীগী মশক অনীবু কোক-মায় অনীনা মহুৎ শিন্নরকপগী চৎনবী অমদি কোমমাই অনীবু ঈরাৎ-ঈশোন তৌবগী চৎনবী লৈনরকই। মসিনা তাকপদি মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ অসি হৌরকঙৈদগী হৌনা মাইহৌশা (মহৌশা) কায়রক্তবা মী কাঙলূপনি হায়বদু তাকই। লোয়ননা 'মাইহৌশা-কাঙলোন' হায়বদু করিনো হায়বা খঙবা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপনি হায়বদুসু কোকমাই অনী ঈরোৎচবা অদুনা খঙনহল্লি। থম্মোয় অমদি কোকনুংগী কাচিন (অতিনয়া হায়না খঙনবা) অনী অদু অমগা অমগা মায়ওক্ননা (মায়) লৈবা হৌনরক্তুনা (হৌ) শাগৎনরক্লিবা খোনগী মায়লোন হায়বদি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন অনীনা (সা) থম্মোয়নুংগী ঈনা থাংলকপা মতুংইন্না (কাং) মায়লোন (মরোন) নাইনা কোকনুংদা কোনথোক কোনশিন তৌরিবা লৈদা তারকপা (লোন) অদুবু 'মায়হৌশা-কাঙলোন' কৌনবনি।

ৱাহন্থোক অসিদি ঈপুংলোননা/নুংলোননা পীবা ৱাহন্থোকনি। অমুকসু আতিনয়া (অতিয়া-স্কাই) অমদি মাইলেং (মালেম) অনীনা অমগা অমগা মায়ওক্নবা (মায়) হৌরকপনা মরম ওইদুনা (হৌ) মালেমগা পক্ননা হিংলিবা অচৎ-চত্তা থৱায় পানবশিংগী সা-হকচাং ওইবশিংগী (সা) থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলকপা মতুংইন্না (কাং) ওইরকপা মোনগী মায়লোন (লোন) অদুবু 'মায়হৌশা-কাঙলোন' কৌনবনি। মসিনা ঈপানলোন/পানলোন হায়বদুগী ৱাহন্থোকনি। অতিনয়া (অতিয়া) মহাক্না মায়ওক্নবা পাল্লিবসি মালেম লৈমায়থক্তা অকংবা উপাল-ৱাপালশিংনা ঈকং কংনা লেপ্পদা অমদি চীংমাই অদুনা ঈকোক কোকনা লৈরিবশিং অদু নত্তে। মরম অসি খঙবনা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপনা অকংবা উপাল-ৱাপাল হেক উবদা য়ান্থৎপগী চৎনবী লৈরমখিবনি । লোয়ননা উমন-ৱামন (উমং-ৱামং) হায়বদি উ-ৱাশিংনা ক্রিক-ক্রিক ইন্নবমখৈ হৌবদগী মনথোক-মনশিন তৌদ্রগদি চঙবা অমদি লিৎশিনবা য়াদবা ফিভম অমদি শক্তম ওইববু মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ্না লূম্না লৌনরকপগা লোয়ননা উ-ৱা য়ানবা মতমদা নুমিৎ-থবান অফবা য়েংদুনা য়ানবগী চৎনবী লৈরমখিবনি।

অসিগুম্বা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ্না অতোপ্পা কাঙলূপ অমত্তদসু লানখিবা লৈতে, হায়রিবা কাঙলূপশিং অদুনা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ ওইবশিংদা লান্দুনা লাক্লিবনি হায়বসি অদুম্মক চুমদুনতা লৈগনি। হৌজিক ওইরিবা ইরৈপাক অসিগী ফীভম অসিগা মরী লৈননা মালেমগী লৈবাক অমা হেক্তনা, মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওর্গনাইজেশন অমা হেক্তনা, করিগুম্বা এজেন্ট অমা হেক্তনা নৎত্রগা করিগুম্বা মখলগী রিপোর্ট অমা হেক্তা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ্পু কাঙলূপ নাইবা ৱাখলগা লোয়ননা অতোপ্পা কাঙলূপশিংদা হান্না কাঙলূপকী ঈরাং থোকহনবা তাহল্লকপা মতমদা ইরৈপাক অসিগী উমং-ৱামং, চীংমাইনচিংবা তেমথোক কোকথোক্তুনা ইরৈপাক অসিগী নুংঙাইরমখ্রবা অঙৈং-অশাগী চাং কায়হনবদা শরু কয়ারিবা মী মানবা শা মখলগী কাঙলূপশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎলিবশিং অদুনা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ্তা অতম্নানা লান্দাবা হৌরকখিবনি হায়বসিনা মদুগী পাউখুম ওইনগনি।

মথক্তা পঞ্জখিবা নুমিৎ তরেৎনি অমদি অয়ূক, নুংথিল অমদি নুমিদাং হায়রিবা মতাং মতম অহুম হায়রিবশিংঅসিনা মী হায়বদুগী অশেংবা অমদি অচুম্বা পূন্সি ঈচেল অমদি মসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌরম পরেং ওইবশিং অদুদা য়াওরিবা চৎনাই কাঙলোন (চৎন-কাঙলোন) ওইবশিং অদুগা থানফম অমদি তাশিন্নফম থোকই। অদুম্না থানবা অমদি তাশিন্নবা অদুনা মরম ওইদুনা অদুগুম্বা মী মহাক অদুনা অওইবা হায়বদুগী মপু ওইবা হায়বসি মীওইবা ওইবা ঙমগনি হায়বসি য়েংমিন্নবা য়াই হায়বগী পাউজেল মচু তরেৎকী ফিরাল অসিনা মহুৎ শিন্দুনা মালেমদা পাউজেল চৎলিবনি।

অনীশুবদা, ঈশিং (ঈশিন) নুশিৎ (নুংশিন), মৈ, লৈপাক অমদি অতিয়া (আতিনয়া) হায়রিবা থৱায় পোৎচাক মঙা অসিনা মফম, মতম অমদি মরম অহুম্না অমত্তা ওইড়া অমুক্তদা উনবা য়ানবা মফম অদুদা হনজিন্দুনা (হন) শেমখিবা ওইখিবা চাং হায়বদি হনচাং (হকচাং) ওইরক্লবা মতুং ওল্লক্লিবা তাইপং মী (তাইবঙ মী) অদুগা হায়রিবা থৱায় পোৎচাক মঙা অদুগা অমুক থানরক্তুনা তম্লকপা খোনগী মাইলুং ওইরকপবু হায়বদি অহিংবা তাইবঙ মী ওইরকপবু 'থৱায় মঙা মিগা থানা তরুক' (থংৱাই মাইঙাক মীকাং থানাই তমলুম) কৌনবনি। মী অদুগী থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলকপা মতুংইন্না (ঈ) কোকনুংগী কাচিন্দা চেনশিল্লক্লিবা খোনগী মাইলুমনা (মিন) কোকনুংদা (নুং) শিন-লাংলক্লিবা অদু (মিন) মমৈ নাইনা (মৈ) লৈরকপগা লোয়ননা (লৈ) পাক্না শন্না (পাক) 'আ:' হায়বা মফম হায়বদি কোক অমদি হকচাং অনীগী তাইনফম (আ) অদুদা হায়রিবা খোনগী মাইলম (মরুম) অদুনা তিন্নদুনা (তিন) লৈরকপা য়ানবা (য়া) অদুবু 'ঈশিন + নুংশিন + মৈ + লৈপাক + আতিনয়া' (ঈশিং + নুংশিৎ + মৈ + লৈপাক + অতিয়া) হায়রিবা অসিবু কৌনবনি।

মথক্তা পঞ্জখিবা থৱায় পোৎচাক মঙা অদুনা অমগা অমগা থংদোক-থংজিন তৌনদুনা (থং) অমদি অমগা অমগা অমুক ৱাইথোক-ৱাইশিন তৌনদুনা (ৱাই) মাইওক্নরকপদগী (মাই) অমনা অমবু ঙাকথোক ঙাকশিন তৌনরক্তুনা (ঙাক্) ওইরকখিবা মী মহাক (মী) অদুগী থমমোইনুংগী ঈনা কাংলক্তুনা (কাং) থানবা (থা) নাইনা (নাই) কোকনুংদা তম্লক্লিবা (তম) অহিংবা খোনগী মাইলম/মরুম (লুম) ওইরকপা অদুবুসু 'থংৱাই মাইঙাং মীকাং থানাই তম-লুম' (থৱায় মঙা মিগা থানা তরুক) হায়না কৌনবনি। ●

(মখা চথুজরকখিগনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।